# সোমালিয়া : কার বোম এটেক অনীদা মীওই ৪ শিখ্রে, ১২ শোকখ্রে



মোগাদিসু, জুলাই ৩১ (এজেন্সী) ঃ
সোমালিয়াগী কেপিটেল মোগাদিসুগী ময়াই চবুক্তা লৈবা পুলিসকী বিল্ডিং অমদা এক্সপ্লোসিভ য়াওবা কার অনীনা থোমজিন্দুনা এটেক তৌখ্রে অমসুং থৌদোক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই মরি শিখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোক্লি।

"ঐখোয়না ফংলিবা পাউ অসিগী মতুংইন্না, য়ামদ্রবদা মীওই মরি শিখ্রে অমসুং অতৈ ১২ অশোক-অপন নংখ্রে" হায়না সিক্যুরিটিগী ওফিসল ইব্রাহিম মোহম্মদনা এ এফ পিদা হায়খি।

মহাক্না হায়খি, টেররিষ্ট কাঙবুশিংনা এক্সপ্লোসিভ মরাং কায়না য়াওরবা কার অনী সীটিগী সেন্টরদা লৈবা পুলিসকী ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন্স দিপার্টমেন্টগী হেদক্বার্টরসতা থৌজিনখি। সীটি অদুগী মী চিনবা জঙ্কসনদা থোকখিবা বোম্মিং এটেক অদুগী মতুংদা নোংমৈ কাপ্পবগী মখোল তাখি হায়না এ এফ পিগী করেস্পোন্দেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

কার অনীদুগী মনুংদগী অমনা বিল্ডিং অদুগী কোর্নরদা থোমজিনখি অমসুং অতোপ্পা কারদুনা গেটকী মনাক্তা থোমজিনখি। মৈখু অমসুং উফুল মপৈশিং কাখৎলকখি, খুদিংমক মথোং মরম খঙদবা ফীভমদা লৈখি হায়না অবুকর উশমান কৌবা ৱিটনেস অমনা হায়খি।

কনামত্তনা এটেক অদুবু খুদক্তা ক্লেম তৌরকখিদে। বোমগী এটেকশিং অদু য়ু এন অমসুং অফ্রিকান য়ুনিয়নগী বিল্ডিংশিংগী মনাকসু ওইবা মোগাদিসু এয়রপোর্টকী মনাক্তা বোম অনী পোকখায়বদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৩ শিখিবা মতুং নুমিৎ খরনি লৈরগা চত্থরক্লিবনি। মমাঙগী এটেকশিং অদু সোমালিয়াগী মালেমগী লৈবাকশিংনা শৌগৎপা গভর্ণমেন্টবু চিংথুনবা হোৎনরিবা সবাবগী মিলিটেন্টশিংনা ক্লেম তৌখি।

সবাব গ্রুপ অদু চহী মঙাগী মমাঙদা কেপিটেলদগী তকথোকখি তৌইগুম্বসুং মখোয়না মিলিটরি গভর্ণমেন্ট অমসুং সিভিলিয়ন টার্গেটশিংদা চাং নাইনা এটেকশিং চত্থদুনা লাক্লি।

হন্দক থা খরা অসিদা মিলিটরি বেজশিং অমসুং হোটেলশিং য়াওনা সিভিলিয়ন টার্গেটশিংদা চত্থখিবা এটেক কয়া মখোয়না ক্লেম তৌখি।

চহী অসি গ্রুপ অদুগী ওইনদি য়াম্না মরু ওইবা তাঙ্কক অমা ওইরি। লাক্লিবা থা খরা অসিদা গভর্ণমেন্ট হোংনবা পায়খৎলকপা থবকশিংদা গ্রুপ অদুনা য়ৈখাই থিনগাইনবা থৌরাং তৌদুনা লাকখি।

সোমালিয়াগী নেসনল ইলেক্সন চহী অসিদা পাঙথোকফম থোক্লি তৌইগুম্বসুং মীচম সিটিজনশিংনা য়াওবা য়াদবা 'লিমিটেদ ফ্রেঞ্চাইজ ইলেক্সন' অমা ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়রি। য়ু এননা হৌজিক লৈবাক অদুদা ২০২০ দা মী অমগা ভোট অমগগী ইলেক্সন পাঙথোকপা য়াগনি হায়না থাজরি।

# বাংলাদেশকী ওথোরিটিশিংনা কেফে এটেককী মাষ্টরমাইন্দ খঙবা ঙমখ্রে

ধাকা, জুলাই ৩১ (এজেন্সী) ঃ
ধাকাগী সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৈবা দিপ্লোমেটিক জোনগী মনুং চনবা কেফে অমদা চত্থখিবা অয়াম্বনা মীরৈবাক মচাশিং ওইদুনা মীওই ২২ তমথীনা হাৎখিবা বাংলাদেশকী খ্বাইদগী শাথীরবা টেরর এটেক অদুগী মাষ্টরমাইন্দ বাংলাদেশি-কনাদিয়ন অমনি হায়না পুলিসনা থাংজ নুমিৎতা মশক তাকখ্রে। মদু মিলিটেন্টশিংগী লোৎফম অমদা চত্থবা রেইদ অমদগী নৌনা ফংলকখিবা ইনফোর্মেসনদা য়ুম্ফম ওইরগা হায়বনি হায়রি।

নুমিৎ মরিনিগী মমাঙদা ধাকাগী কল্যানপুর এরিয়াদা অহিংদা চত্থখিবা সিক্যুরিটিগী রেইদ অমদগী পুলিসনা হন্দক্তা ইস্লামিষ্টশিংনা লৈবাক অদুদা পাঙথোকখিবা এটেকশিং অদু টামিম চৌধুরি কৌবা অমগী খুজিল থৌরাংনি হায়বা খঙনবগী লংলা-লংজিল ফংখি হায়না ইনভেষ্টিগেসনশিং অদুগী মরমদা খঙবা পুলিস ওফিসর অমনা পি টি আইদা হায়খি।

"ধাকাদা চত্থখিবা শাথীরবা টেররিষ্ট এটেক অনীগী মাষ্টরমাইন্দ টামিম চৌধুরিনি হায়বসি ঐখোয়না খঙলকখি। মহাক চহী অহুমগী মমাঙদা কনাদাদগী হল্লকখিবা মতুংদা বাংলাদেশতা হৌজিকসু লৈরি হায়না থাজবদগী মহাকপু ফানবা কোইথিথিবগী থবক অমা হৌখ্রে" হায়না মশক মমিং তাকথোকহনখিদবা ওফিসর অদুনা হায়খি।

হৌখিবা জুলাই ২৬ তা কল্যানপুরদা রেইদ অমা চত্থবদা মফমদুদগী ফংখিবা ইভিদেন্সনা পুলিসপু চৌধুরিগী মশক খঙবা ঙমহনখি। মহাক জুলাই ১ দা হোলি আর্টিসন রেষ্টোরেন্টদা চত্থখিবা এটেক অমসুং মদুগী মতুং নুমিৎ ৬ নি লৈরগা নোরদর্ন সোলাকিয়াদা ইদকা মরী লৈননা মীয়াম্না লাই খুরুম্নবা পূল্লিঙৈদা চত্থখিবা এটেক অদুগী খুজিল থৌরাং তৌখিবা মশাগী চহী ৩৫ রোম শুরবা মীওই অমনি হায়না থাজে।

বাংলাদেশকী পাউচে অমনা মমাঙদা ফোঙদোকখিবদা চৌধুরি অসি নৌনা ওর্গনাইজ তৌবা জমাটুল মুজাহিদীন বাংলাদেশ (জে এম বি) গী মরু ওইবা ফাইনান্সর অমসুং লীদর ওইরমগনি হায়খি। বাংলাদেশনা মমাঙদা এটেক অনীদু অরোনবা আউটফিট অমনা পাঙথোকখিবনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

রিপোর্ট অদুনা নৌনা ওর্গনাইজ তৌবা জে এম বি অমসুং আই এস আই এসকী মরক্তা চৌধুরিনা লিঙ্ক ওইনা থবক তৌখি হায়বগী ঈঙ্গিৎ পীখি। পুলিস ওফিসর অনী য়াওনা পূন্না মীওই ২২ হাৎখিবা জুলাই ১গী কেফেগী এটেক অদু আই এস আই এসনা ক্লেম তৌখি।

ইদকী লাই খুরুম্ফম মনাক্তা চত্থখিবা এটেক অদুদনা পুলিসমেন অনী অমসুং নুপী অমা শিখি লোয়নননা এটেক অদুগী মতুং ইকান কান্নদনা পুলিসনা পূন্না টেররিষ্ট তরেৎ কাপ্পুনা হাৎখি।

পুলিসকী কাউন্টর টেররিজম য়ুনিটকী চীফ মোনিরুল ইস্লামনা হায়খি মদুদি, ইনভেষ্টিগেটরশিংনা অমগা-অমগা মরী লৈনবা এটেক অনীদুগী চিংনবা মাষ্টরমাইন্দ কয়াগী মমিংশিং খঙলে তৌইগুম্বসুং মখোয়গী অশেংবা মশকশিং কনফর্ম তৌনবা হোৎনরি।

হান্নদি বাংলাদেশনা লৈবাক অদুদা চত্থরিবা টেররিষ্ট এটেকশিং অদুগা আই এস আই এসকা মরী লৈনবগী প্রুফ ফংদে হায়খিবনি।

# ইরাকতা মিলিটেন্টশিংনা ইনর্জি প্লান্ট ২ দা এটেক তৌখ্রে



কিরকুক, জুলাই ৩১ (এজেন্সী) ঃ
ঙসি নোরদর্ন ইরাক্তা মিলিটেন্টশিংনা ইনর্জি ফেসিলিটি অনীদা থোমজিনখ্রে। মখোয়না য়ামদ্রবদা ৱার্কর মরি হাৎখিবগা লোয়নননা বোম কয়া পোকখায়হন্দুনা অতিয়াদা মৈরী ৱাংনা কাখৎখ্রে হায়না সিক্যুরিটি ছোর্সশিংনা ফোঙদোক্লি।

কিরকুক্কী অৱাং-নোংচুপলোমদা কিলোমিটর ১৫ রোম লাপ্না লৈবা এ বি ২ গ্যাস কমপ্রেসর ষ্টেসনদা চত্থখিবা অহানবা এটেক অদু নোংঙাল্লমদাই পুং ৩ মুক তাবদা হেন্দ গ্রেনেদ পায়বা গনমেন মরিনা মপানগী থোং নমখায়দুনা চঙলক্লগা হৌখি। গার্দ অনী অরুবা ফীভমদা লৈখি।

মদুগী মতুংদা মখোয়না কন্ট্রোল রূমগী মনুংদা লৈবা ইমপ্লোয়ী মরি কাপ্পুনা হাৎখি অমসুং এক্সপ্লোসিভ চার্জশিং প্লান্ট তৌখি। তুংদা মফম মঙা থোক্না পোকখায়খি হায়না ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখি।

এলিট কাউন্টর টেররিজম সার্ভিসকী ফোর্সশিংনা ফেসিলিটি অদুদা থোমজিনখি, মফমদুগী ফীভম নৌনা কন্ট্রোল তৌখি অমসুং তোঙানবা কা অমদা লোৎতুনা লৈখিবা অতৈ ইমপ্লোয়ী ১৫ থাদোকখি।

এটেক্করশিংদু ফংবা ঙমখিদে অমসুং মখোয়না অৱাং নোংচুপলোমদা মখা তানা কিলোমিটর ২৫ রোম লাপ্না চৎলগা বাই হশন ওইল ষ্টেসনদা অনীশুবা এটেক অমা পাঙথোক্লবা মফমদুদগী নাম্থোকখিরম্বা য়াই হায়না ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখি।

মফমদুগী মিলিটেন্টশিংনা ফেসিলিটি অদুদা চঙনবগী মান্নবা লম্বী শীজিন্নদুনা মনুংদা লৈবা থাও থম্ফম টেঙ্ক অমা থুগায়খি হায়না ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখি। মখোয় সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা খুৎ থোক্নদুনা লৈখি অমসুং মীশি মীনাগী মশীং খুদক্কী ওইনা খঙখিদে।

এটেক অনীমক হৌজিক ফাওবগী ওইনা কনামত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি। তৌইগুম্বসুং মমাঙদা ইস্লামিক ষ্টেটনা কিরকুককী খা নোংচুপতা লৈবা খাবজ ওইলফিল্ডদগী ওইল ৱেলশিং টার্গেট তৌদুনা এরিয়াদুগী ওইল ফেসিলিটিশিংদা এটেক তৌখি।

কুমজা ২০১৪ দা ওপেককী থাও পুথোকপা লৈবাক অদুগী শরুক অহুম থোকপগী অমা খুদুম চনখিবা ইস্লামিক ষ্টেটকী মিলিটেন্টশিং মফম কয়াদা য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসনগী এয়র ষ্ট্রাইকশিংনা শৌগৎপা ইরাকি ফোর্সশিংনা তকথোকখ্রে।

নোরদর্ন ইরাক্তা ইস্লামিক ষ্টেটপু তকথোক্তুনা মখোয়গী ওটোনোমস রিজনগী টেরটরি চাউথোকহনখিবা কর্দিশ পেশমর্গা ফোর্সেসনা কিরকুক অমসুং অকোয়বা এরিয়াশিং চহী অনীরোম কন্ট্রোল তৌরকখি।

# নেপালদা পার্টি খুদিংমক্না য়াবা অনৌবা গভর্ণমেন্ট শেম্নবগী মতম লোইখ্রে



কথমন্দু, জুলাই ৩১ (এজেন্সী) ঃ
নেপালগী প্রসিদেন্ট বিধ্যা দেবী ভান্দারিনা পোলিটিকেল পার্টিশিংদা পুন্নমক্না য়াবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবা পীখিবা মতম নোংমাইজিং নুমিৎতা লোইখিবগা লোয়নননা অদুগুম্বা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবগী তাঞ্জা লৈরক্তবগুম তৌরি।

পার্লিয়ামেন্টকী সেক্রেটরিয়েটকী এসিষ্টেন্ট স্পোক্সপার্সন সুদর্শন কুইকেলনা হায়খি, প্রসিদেন্টগী ওফিসতগী চেরোল অমা থাদোরকপা ঙাইখিবগা লোয়নননা স্পিকরনা পার্লিয়ামেন্টকী মথংগী মীটিং অদু নিংথৌকাবা নুমিৎকী লোকেল মতমদা নুংথিল পুং ৩ তাবদা পাঙথোক্নবা লেপখ্রে হায়না হিমালায়ন টাইমসনা হায়রি।

প্রসিদেন্টনা করিগুম্বা নিংথৌকাবা নুমিৎতা হাউসতা মশীং য়াম্বদা থাজবা থম্বগী চৎনবীদা য়ুম্ফম ওইরগা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবগী প্রোসেস হৌনবা দিরেক্সন পীরকপা তারবদি নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা ভোট থাদনগনি।

স্পিকরনা পার্লিয়ামেন্টকী সেক্রেটরি জেনরেলবু ইলেক্সন ওফিসর ওইনা নোমিনেট তৌরবা মতুংদা ইলেক্সন ওফিসরনা ইলেক্সনগী প্রোসেস হৌগনি। প্রসিদেন্টনা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবা মেজোরিটরিয়ন প্রোসেস হৌনবা পার্লিয়ামেন্টদা অইবা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লবা মতুংদা ইলেক্সনগী প্রোসেসতু পায়খৎকদবনি।

নেপালি কোংগ্রেস, কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ নেপাল-মাওইষ্ট সেন্টর (সী পি এন-এম সী) অমসুং য়ুনাইটেদ দেমোক্রেটিক মাধেসি ফ্রন্টনা ঙরাং পার্টি অহুমগী এগ্রীমেন্ট অমা দ্রাফট তৌনবা জোইন্ট টাস্ক ফোর্স অমা শেম্বগী ৱাফম য়ানখি। অদুগুম্বা এগ্রীমেন্ট অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা য়ু দি এম এফনা অনৌবা গভর্ণমেন্টদা মপান্দগী শৌগৎপা য়াগনি।

মসিগী য়ানবা অসি নেপালি কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট শের বহাদুর দিয়ুবা, সী পি এন-এম সী চ্যের পুশপা কমল দাহল অমসুং য়ু দি এম এফকী লীদরশিংগী মরক্তা পাঙথোকখিবা মীটিং অমদা পুরকখিবনি।

মীটিং অদুদা এন সী অমসুং সী পি এন-এম সীগী লীদরশিংনা য়ু দি এম এফতা অনৌবা গভর্ণমেন্টগী শরুক অমা ওইরক্নবা হায়খি।

চৈরকসিদা নেপালি কোংগ্রেস অমসুং সী পি এন-এম সীগী মরক্তা গভর্ণমেন্টগী লীদর শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌননবগী মতাংদা য়ানবা অমা পুরকখ্রে। খোঙথাং অসিনা দহালবু হান্না গভর্ণমেন্ট লীদ তৌহল্লবা মতুংদা দিয়ুবানা অমুক গভর্ণমেন্ট লীদ তৌবা য়াহনগনি।

# টেক্সাসতা নুংশিৎ অশাবগী বেলূন কায়বদা অতোংবা মীওই ১৬ মক শিখ্রে



হাউসটন, জুলাই ৩১ (এজেন্সী) ঃ
অশাবা নুংশিৎকী বেলূন অমা নোংথক্তা মৈ চাল্লকপদগী টেক্সাসকী ময়াই থংবা শরুক্তা কায়খিবগা লোয়নননা মদুদা তোংবা মীওই ১৬ মক শিখ্রে। বেলূন অদু লৈমায়দা তাশিন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা হাই ভোল্টেজ পাৱর লাইনশিংদা থেংজিল্লম্বা য়াই হায়না য়ু এসকী পুৱারীদা থোকপা খ্বাইদগী শাথীরবা বেলূনগী এক্সিদেন্ট অদুবু থিজিনখিবা ওথোরিটিশিংনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ফেদরেল এভিয়েসন ওথোরিটিগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা মীওই ১৬ তোংবা বেলূন অদু কায়দ্রিঙৈগী মমাঙদা মৈ হৌদুনা চাকখি হায়খি, তৌইগুম্বসুং অতৈ অকুপ্পা মরোলদি ফোঙদোকখিদে। কাল্ডৱেল কাউন্টিগী শেরিফকী ওফিসনা বেলূনদুদা তোংখিবা অমত্তা হিংবা য়াওদ্রে হায়খি।

কাল্ডৱেল কাউন্টিগী জজ কেন সোৱীনা হায়খি, বেলূন অদু পাৱর লাইনগা থেংনরবা মতুংদা মৈ চাল্লগা লৈমায়দা তাশিন্দুনা কায়খিবা মাল্লি। মদু অয়ুক পুং ৭.৩০ রোম তাবদা মথক্তগী আউষ্টিনগী খারোমদা কিলোমিটর ৪৮ লোম লাপ্না লোকহার্টকী মনাক্তা লৈবা শঞ্জাবুং অমদা তারকপা মতমদা পাৱরলাইনশিংদা থেংজিনখিবা ওইরম্বা য়াই। মফম অদু বেলূনগী তাফম ওইনা তোইনা শীজিন্নে হায়না পব্লিক সেফটিগী ছোর্সশিংনা সী এন এনদা হায়খি।

টেক্সাসকী পব্লিক সেফটি দিপার্টমেন্ট ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি, অশাবা নুংশিৎকী বেলূন অদু পাৱর লাইনশিংদা থেংজিনবদগী মৈ হৌখিবনি হায়না ইনভেষ্টিগেটরশিংনা থাজে। মসি প্রিলিমিনরি ৱার্কিং থিওরি অমনি হায়না মহাক্না হায়খি।

"অহানবদা ঐহাক্না হুশ লাওবা মখোল অমা তাখি" হায়না বেলূন তাশিনফমগী মনাক্তা লৈবা মার্গরেট ৱাইলি কৌবী নুপী অমনা সী এন এনগী এফিলিয়েট টি দব্লিয়ু সীদা হায়খি। "মদুগী তুংদা অচৌবা মৈগী বোল অমা কাখৎলকখি। মৈবুল অদু মখা ইথং থংবা ইলেক্ট্রিক লাইনশিং ফাওবা য়ৌনা কাখৎখি হায়না ঐহাক্না হায়বা ঙমই।"

মীওই ১৬ শিখিবদুনা মদু য়ু এসতা থোকপা খ্বাইদগী শাথীবা বেলূনগী এক্সিদেন্টগী রেকোর্দ ওইহল্লে। মমাঙদা য়ু এসতা থোকখিবা সিঙ্গল হোট এয়র বেলূন ক্রাশতা মী খ্বাইদগী য়াম্না শিখিবগী থৌদোক অদু ১৯৯৩ দা কোলোরেদোদা থোকখিবা এক্সিদেন্টনা ওইখি। এক্সিদেন্ট অদুদা পূন্না মীওই ৬ শিখি।

কাল্ডৱেল কাউন্টি ওফিসকী ইমর্জেন্সি মেনেজমেন্টগী ফেসবূক পেজদা ফোঙবা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুংইন্না লো ইনফোর্সমেন্ট ওফিসরশিংনা মেক্সৱেল এরিয়াদা ওটো এক্সিদেন্ট অমা থোক্লম্বা য়াবগা মরী লৈনবা ৯১১ কোল অমদা রেস্পোন্দ তৌখি।

"ওফিসরশিংনা বেলূনগী পোলাং অদু লৈমায়দা মৈ চাল্লগা লৈরম্বা থেংনখি" হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি। এফ এ এ অমসুং নেসনল ট্রান্সপোর্টেসন সেফটি বোর্দনা থৌদোক অদুবু থিজিনবা হৌখ্রে।

এন টি এস বিনা হায়, ক্রাশকী মফম অদু নীংথিনা দোক্যুমেন্ট তৌনবা মখোয়না এফ বি আইগা পূন্না থবক তৌমিন্নরি। মফম অদু ইভিদেন্স লৌখৎনবগীদমক্তা ক্রাইমগী মফম অমগুম্না মী চঙহন্দনা থমখ্রে। বেলূনদুদা তোংখিবা মী অমত্তা ওথোরিটিশিংনা মমিং ফোঙদোকখিদে।

# য়েমেন গভর্ণমেন্টনা য়ু এননা হৌদোকপা পিছ দিল য়াখ্রে

কুৱাইট, জুলাই ৩১ (এজেন্সী) ঃ
চহী অমা হেল্লক্লবা খুৎলাই য়াওবা মুক্লবগী ফীভম লোইশিন্নবা য়ু এননা প্রপোজ তৌবা পিছ এগ্রীমেন্ট য়ারে হায়না য়েমেনি গভর্ণমেন্টনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে, তৌইগুম্বসুং রেবেলশিংগী মায়কৈদগী ৱাফম অদুগী মতাংদা করিগুম্বা অমত্তা ফোঙদোরক্ত্রি হায়রি।

সাউদি কেপিটেল রিয়াদতা য়েমেনগী প্রসিদেন্ট অবেদ্রাবো মনসৌর হাদিনা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখিবা অৱাংবা থাক্কী মীটিং অমগী মতুংদা সাউদিনা বেকিং পীবা গভর্ণমেন্টনা ৱাফম অদু লাউথোরকখিবনি। মীফম অদুনা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা কনফ্লিক্ট অদুবু লোইশিন্নবা অমসুং রেবেলশিংবু সানাদগী ৱিথদ্রো তৌনবা তকশিনবা দ্রাফট এগ্রীমেন্ট অদু এপ্রুভ তৌখি হায়না সাবা ন্যুজ এজেন্সীনা ষ্টেটমেন্ট অমা পল্লদুনা হায়খি।

কুৱাইট সীটিদা ৱারী শানবগী টিম অমা লুচিংলিবা য়েমেনগী ফোরেন মিনিষ্টর অব্দুলমালেক অল-মিখলাফিনা হায়খি, গভর্ণমেন্টনা কুৱাইট এগ্রীমেন্ট শৌগৎলি হায়বা খঙহল্লদুনা মহাক্না য়ু এনগী অখন্নবা পাউখোল্লোইদা চিঠি অমা থাখ্রে।

অদুম ওইনমক প্রি-কন্দিসন অমদি ইরাননা শৌগৎপা হুথিশিং অমসুং হান্নগী প্রসিদেন্ট অলি অব্দুলা সালেদা লোয়েল ওইবা ফোর্সশিংনা ওগষ্ট ৭ ফাওবগী মনুংদা দিল অদু সাইন তৌনবনি হায়না মিখলাফিনা ত্বিটরদা ইখি।

য়েমেনগী লীদরনা দিল অদু সাইন তৌনবা দেলিগেসন অদুদা অয়াবা পীখ্রে; মদু মালেমনা অমসুং লমদমদুদা কন্না শৌগৎনবা দিলনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। রেবেলশিংগী মায়কৈদগী ওফিসল রিয়েক্সন অমত্তা লাকখিদে।



HL-B/3200/18/07-17/08

# EMPLOYMENT NEWS

## High Court Chandigarh Recruitment 2016

High Court of Punjab & Haryana at Chandigarh invites application for the post of 04 Stenographer-III in Subordinate Courts of Punjab & Haryana by way of Direct recruitment. Apply Online before 21 August 2016.
Advt No. : 15S/SSSC/CHD/2016

**Job Details :**
Post Name : Stenographer-III
No. of Vacancy : 04 Posts
Pay Scale : Rs. 10300-34800/-
Grade Pay : Rs.3600/-

**Eligibility Criteria for High Court Chandigarh Recruitment :**
Educational Qualification : Bachelor of Arts or Bachelor of Science or equivalent thereto from a recognized university and must have proficiency in operation of computers (Word Processing and Spread Sheets).

Nationality : Indian

Age Limit : 18 to 30 years as on 01.01.2016

Job Location : Haryana

**Selection Process :** Candidates will be selected based on Computer Proficiency Test.

**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.1000/- through Challan.

**How to Apply :** Interested candidates may apply online through the website www.sssc.gov.in from 22.07.2016 to 21.08.2016 (Step-I) & 24.08.2016 (Step-II).

**Important Dates to Remember :**
Starting Date For Submission of Online Application : 22.07.2016
Last Date For Registration of Application (Step-I) : 21.08.2016
Last Date For Submission of Application Fee in Bank : 23.08.2016
Last Date For Submission of Application (Step-II) : 24.08.2016
Detail Advertisement Link : http://www.recruitmenthighcourtchd.com/sssc/STENOGRAPHERGRIII.pdf
Apply Online : http://www.sssc.gov.in/postapplyCHD.aspx?enc=wBrHyVLI0AVtawjRgSt3IUJmturWyINvCxOYeEUnauPwm2CJ5r25ueIwSV174mwT

## WAPCOS Limited Recruitment 2016

WAPCOS Limited invites Applications for the post of 25 Engineer Trainee (Civil/Electrical) on contract basis. Apply before 16 August 2016 .

**Job Details :**
Post Name : Engineer Trainee (Civil/Electrical)
No of Vacancy : 25 Posts
Pay Scale : Rs. 16400-40500/-

**Eligibility Criteria for WAPCOS Recruitment :**
Educational Qualification : B. E./B. Tech. in Civil/Electrical Engineering from a recognized university.

Nationality : Indian
Age Limit : 27 years As on 30.06.2016

**Age Relaxation :**
For OBC Candidates : 03 years
For SC/ST Candidates : 05 years
For PWD Candidates : 10 years

Job Location : All India

**How to Apply WAPCOS Vacancy :** Interested candidates may send their CV in the prescribed proforma along with photocopies of documents in support of Date of birth, Qualification, Experience and Proof of category etc. send to Additional Chief Manager (Pers.), WAPCOS Limited Plot No. – 76 C, Institutional Area, Sector-18, Gurgaon, Haryana – 122015 on or before 16.08.2016.

**Important Dates to Remember :**
Last Date For Submission Of Application Form : 16.08.2016
Important Links :
Detail Advertisement Link : http://wapcos.gov.in/Download.aspx?udi=1443&folderName=Job_Advertisement
Download Application Form : http://wapcos.gov.in/Download.aspx?udi=1444&folderName=Job_Advertisement

## BPCL Recruitment 2016

Bharat Petroleum Corporation Limited (BPCL) invites Application for the post of 40 Process Technician. Apply Online before 14 August 2016.

**Job Details :**
Post Name : Process Technician
No. of Vacancy : 40 Posts
Pay Scale : Rs. 13800-41000/-

**Eligibility Criteria for BPCL Recruitment :**
Educational Qualification : Diploma in Chemical Engineering/Technology from a Government Polytechnic or equivalent Government recognized Institute of repute with First Class (60%). (Relaxable up to 50% for SC/ST Candidates) and withone year of experience in Oil Refining / Petroleum / Petrochemical / Chemical / Fertilizer industry etc. in a Factory / Manufacturing Unit of Repute.

Nationality : Indian

Age Limit : 18 to 27 years (As on 01.07.2016)

**Age Relaxation :**
For SC/ST Candidates : 5 years
For OBC Candidates : 3 years
For PWD Candidates : 10 years

Job Location : All India

**Mode of Selection :** Selection will be made on written test and Skill Assessment test.

**How to Apply BPCL Vacancy :** Interested & eligible candidates may apply Online through the website www.bharatpetroleum.com from 30.07.2016 to 14.08.2016.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission Of Online Application : 30.07.2016
Last Date for Submission Of Online Application : 14.08.2016
Important Links :
Detailed Advertisement Link : https://bharatpetroleum.com/images/files/Full%20Advertisement%20PT_Final_English(1).pdf
Apply Online : https://bharatpetroleum.com/Careers/current-openings.aspx